# য়ুরোপ্তা ওল্লিঁগী ফুটবোল

- লৈশাংথেম অজিৎ -

অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা প্রোফেসনেল ওইবা শান্নরোয়শিং অসি ওলিম্পিক্কী ফুটবোল শান্নবদা শরুক য়াবা য়াহনখিদে। মসি অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদনি। অদুবু কম্যুনিষ্ট লৈবাক হায়বদি রুসিয়া, রোমানিয়া, য়ুগোসলোভিয়া, জেকোসলোভিয়ানচিংবদি অদুমক ময়াখি। মরমদি মখোয়গী প্রোফেসনেল প্লেয়র লৈতে। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী শান্নরোয়শিংদি প্রোফেসনেল প্লেয়রশিংদগী হেন্না খুদোংচাবা হেল্লি। মখোয় খুদিংমক লৈঙাক্লা ফজনা য়েংশিনবি। মতিক চানা মথৌ তাবা শান্নবগী মপোৎ মচৈ অমদি ইমুং মনুংগী অৱাৎপা লৈহন্দে। অনীশুবা লাঞ্জাও লোইরকপা মতমদা প্রোফেসনেল ফুটবোল অসি মালেম শিনবা থুংনা শান্নরকই। মরম অদুনা প্রোফেসনেল শান্নরোয়শিং অসি ওলিম্পিক গেমসদা শরুক য়াবা য়াওবা মরম্না কম্যুনিষ্ট লৈবাকশিংনা ওলিম্পিক্কী ফুটবোলদা মায় পাক্লকখি। মরম অদুনা কুমজা ১৯৫২দা হেলসিনকিদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসদা কম্যুনিষ্ট লৈবাক্কী টিমশিংনা য়ুরোপ অমসুং খা অমেরিকাগী অহৈ অহৈবা টিমশিং অদু মায়থীবা পীখি। মরমদি য়ুরোপ অমসুং খা অমেরিকাগী টিম ব্রাজিল অমসুং অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয়শিং অদু প্রোফেসনেলনি। অদুবু কুমজা ১৯৮৪দগী ওলিম্পিক্তা টিম খুদিংদা প্রোফেসনেল শান্নরোয় খরা মশীং কক্লা য়াওহনবা য়াখি। য়ুরোপ অমদি খা অমেরিকাগী টিমদি প্রোফেসনেল ওইরবসু ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়দি য়াওবা য়াহন্দে। অদুবু কুমজা ১৯৯২দগীদি ওলিম্পিক্তা প্রোফেসনেল পূম্বা টিম অমদা য়াওবা য়াহনখ্রে। অদুবু চহী ২৩গী মখাদা লৈবা শান্নরোয় ওইগদবনি। অদুবু কুমজা ১৯৯৬কী ওলিম্পিক টুর্নামেন্টদগী প্রোফেসনেল অহুম চহীগী অকক্লবা য়াওদনা অহল ওইরবসু, নহা ওইরবসু য়াওবা য়াহনখ্রে। হীরম অসি কুমজা ১৯৬৬ ফাওবগী অমদি চহী খরা মখা তাবগী চৎনবী ওইরমখিবনি।

কুমজা ২০১২দা নুপাগী ফুটবোলদা টিম ১৬, নুপীগীদা টিম ১২ শান্নহল্লি অদুবু য়ূম্বু ওইরিবা টিম অদুদি মশানা ক্বালিফাই ওইহল্লি। অহানবা হৌদোকপদা ফুটবোল অসি ওলিম্পিক্তা মীয়াম্না মশক ইখঙ খঙনদবা, য়ুরোপ অমসুং অৱাং অমেরিকাগী মহাদেসশিংদা খক্তা শান্নবা মওং ওইনা ঐখোয়না উন্নে। মসিনা মরম ওইদুনা অনীশুবা ওলিম্পিক গেমস পেরিস সহরদা কুমজা ১৯০০দা পাঙথোকখিবদা অহানবা ওইনা ফুটবোল অসি মরু ওইবা থৌরম অমা ওইখিবদা গ্রেট বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং বেলজিয়ম খক্তমক শরুক য়াখি। মদুদা টিম মরি শুনবা গ্রেট বৃটেনগী অতোপ্পা টিম অমসু হাপখি। মদুদা গ্রেট বৃটেননা মকোক ওইখি। ফ্রান্স অমসুং বেলজিয়মনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন ফংখি। গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোয়শিং অদু Upton Park Football Club কী টিমনি। ফ্রান্সকী টিম্না Union Des Societes Francaises Des Sports Athletiques অমসুং বেলজিয়মগী University of Brussels কী টিমনি।

ফুটবোলদা শরুক য়াবগী টিমশিং অসি মশীং য়ামদে। অদুগী মথক্তা মশান্না অসি মতম অদুদা মীয়াম্না পান্বা মশান্নসু ওইদে। অদুবু চহী খরগী মতুং কুমজা ১৯১২দা ষ্টোকহোলমদা পাঙথোকখিবা মরিশুবা ওলিম্পিক গেমসদা লৈবাক তরেৎনা শরুক য়াদুনা ফুটবোল মশান্না অসি মপূং ফানা শান্নখি। টিম তরেৎমক য়ুরোপকী লৈবাক খক্তনি। মদুদা গ্রেট বৃটেনগা দেনমার্ককা ফাইনেল শান্নবদা গ্রেট বৃটেননা পাঞ্জল ২-১ হেন্না চলম্মী। মদুদা বুচৱাল কৌবা দেনমার্ককী শান্নরোয় অমা শোক্তুনা শান্নফমদগী মপান্দা পুথোকখি। মরম অদুনা দেনমার্কনা শান্নরোয় ১০ খক্তগা শান্নবদা বৃটেননা য়াম্না থুনা মিনট অহুমদা পাঞ্জল অনী চল্লম্মী। অদুবু দেনমার্কনা কন্না হোৎনদুনা শান্নরবসু ৪-২দা মায়থীখি। মথংদা জর্মনিগা রুসিয়াগা শান্নবদা জর্মনিগী গোতফ্রিদ ফচস কৌবা শান্নরোয় অমনা পাঞ্জল ১০ চনখি। বৃটেনগীসু পাঞ্জল য়াম্না চনবা শান্নরোয় অমা য়াওই মদুদি হারোলদ ৱালদন কৌবা শান্নরোই অমনা বৃটেনগী পাঞ্জল ১৫ চনবদা মহাক্লা ১১ চনখি।

হারোলদ ৱালদন অকোনবদা ঈশৈ তৌবা হোল অমগী কোমেদিয়ন, ফাগি তৌবা অফাওবা নুপা অমা ওইখি। মীওই খরনা মঙোন্দা ফুটবোল শান্নবা তোক্লগা ষ্টেজদা দ্রামা য়াওরিবা করিগীনো হায়না হংবদা মহাক্লা হায় মদুদি ফুটবোল শান্নবদদি মিনট ৪৫-৪৫গী হাফ শান্নে, নোং তারবসু, উন তারবসু শান্নে, মিনট ১০ হাফ থাই, পাঞ্জল চল্লবদি ভাবক্লা খূবাক খুদুনা হরাওবা ফোঙদোকই। অদুগা কোমেদিয়ন (ফাগি তৌবা) দি শো অমদা য়াম্লবদা মিনট ১০ খক্তমকনি। মিনট তরা শো তৌরগা পুং ২ পোথারগা মিনট তরা অমুক শো তৌই। অদুনা মহাক্লা পাঞ্জল চল্লবসু চন্দ্রবসু চয়োলগী অরোইবদা মসিনা হেন্না কান্নবা হেল্লি। মথংগী ওলিম্পিক গেমস অন্টৱের্পতা কুমজা ১৯২০দা পাঙথোকপা মতমদা টিম ১৪না ফুটবোলদা শরুক য়াখিবদা বেলজিয়মগা জেকোসলোভাকিয়াগা ফাইনেল শান্নখিদা অচৌবা থৌদোক অমা থোকখি। বেলজিয়মনা মরৈবাক্তা পাঙথোক্লিবা ওলিম্পিক অদুদা ফুটবোলদা চেম্পিয়ন ওইনবা কন্না হোৎনখি। লৈবাক অসিনা জেকোসলোভাকিয়াগা ফাইনেল শান্নবগীদমক শেম শারম্মী। বেলজিয়মগী ওইনদি ফুটবোল ফাইনেল অদু ওলিম্পিক অদুগী খ্বাইদগী মীয়াম্না পান্নবা থৌরমনি হায়না লৌই। বোল হৌগদবা পুং অনী ৱাৎলিঙৈদা ভাবক ৪০,০০০না ষ্টেদিয়ম অদু পীক থল্লম্মী। মতম অসিদা ফুটবোল য়েংনীংবা নহারোলশিংনা শম্বলগী ৱাংমদগী মনুংদা চঙবা য়ানবা লৈবাক মনুংদা তৌদুনা অহোবা (টনেল) অমা শেম্মী অদুগা ভাবক কয়ামুক অহোবা অদুদা চংদুনা শান্নফম য়ৌখি। মতম অসিদা বেলজিয়মগী সিফাই ময়াম অমা চঙশিল্লক্তুনা বোল শান্নফম অদু কোয়শিন্দুনা লেপ্লম্মী। মখোয়না ভাবকশিং অদু শান্নবুং ময়ায়, শান্নফমদা চঙবা থিংলম্মী। জেকোসলোভাক রিপব্লিক্কী টিম অদুনা জেকোসলোভাক্কী লান্মীশিং অদু চঙলকপা পামদে। জেকোসলোভাক মচাশিংসু ইংলিস মচা জোন লুইবু মেটচ অদুগী রেফরি ওইবা পামদে। মসিগী মমাঙদা প্রেগ সহরদা প্রি ওলিম্পিক্কী মেটচ অমদা জোন লুই অসি জেকোসলোভাকিয়াগী ভাবক্লা ফূখ্রবনি। মরম অদুনা জোন লুই অসি মীচং চঙখিগদবা রেফরিনি হায়না লৌনখি।

শান্নবা মিনট ১০গী মতুংদা রোবর্ট কোপীনা পেনালটি অমা পীখি। মিনট ২৮গী মতুংদা অনৱর্বকী রিক লারনোনা অনীশুবা পাঞ্জল অমা চনখি। অহানবা হাফতা মিনট ৬ খক্তা লোইগদবা ৱাৎলিঙৈদা রেফরিনা জেকোসলোভাকিয়াগী অফাওবা কারেল ষ্টেয়নরবু ফাওল তৌবগী তান্থোকখি। মদুদগী জেকোসলোভাকিয়াগী টিম পূম্বা মপান থোকখি। মদুগীদমক টিম অদু তান্থোকখি। অদুবু লাইবক থীবদি অনীশুবা পোজিসনীদমক Bergvall system গী মতুংইন্না চথরম্মী। (১) ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌরবা টিমশিং অদুগী মিনি টুর্নামেন্ট অমা তৌরম্মী। মসিদগী মায় পাক্লকপা টিমশিং অদু ফাইনেলদা পোরবা টিম অদুগা শান্নহনগনি। (২) অমগা অমগা ফাইনেল শান্নদ্রিঙৈদা টিম অনী অদু মায়থীবা পীগদবনি। (৩) পার্ট ৱান অমসুং টু গী ৱিন্নর অদু অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন খঙনবা শান্নহনগদবনি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### ভৈগ্যচন্দ্র মেমোরিএল লেকচর পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী আর্টিষ্ট ৱার্কশোপ কম দোর্মিত্রিদা ঙরাং ভৈগ্যচন্দ্র মেমোরিএল লেকচরগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। প্রোগ্রাম অসিদা এম য়ুগী ফিলোজোফি দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরনা বৈষ্ণব রাস শাসিয়া ইন মণিপুর কন্টেন হায়বসিদা লেকচর পীখি।

### পূন্না হোৎনমিন্নদ্রবদি ইনর্জিগী মতাংদা ...

*লামায় ১গী মখা...* লৈবাক্তুগী ঐখোয়না থাওশিং লৈরিবা অসিদা মশক থোক্লা হন্থহল্লকপা ঙমগনি হায়খি।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী পাৱর মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা ব্যুরো ওফ ইনর্জি ইফিসিএন্সিনা ইনর্জি কঞ্জর্বেসনগী মতাংদা নেসনল এৱ্যের্নেস কেম্প্যেনশিং পাঙথোকপা হৌখ্রবনি। খোঙথাং অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিবু ইনর্জি মতিক চানা পুথোকচবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোকপদসু তেংবাঙলগনি হায়খি।

লোয়ননা নোংমদি লৈবাক অসিনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা ইনর্জি পীবসু ঙল্লক্কনি হায়খি। লোয়ননা থৌরমগী মনুং চন্না এন ঐচ পি সীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ইনর্জি কঞ্জর্বেসনগা মরী লৈনবা পেন্টিং কম্পিটিসনদা মকোক মথং তারবশিংদা গভর্ণরনা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

পনবা য়াবদি, পাঙথোকখ্রিবা কম্পিটিসন অসিগী কাঙলূপ অনী গ্রুপ এ (ক্লাস ফোরদগী সিক্স) অমসুং গ্রুপ বি (ক্লাস সভেনদগী টেন) ফাওবগী মনুংদা মকোক মথং তারকখ্রবা মহৈরোয় অহুম্না ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা লৈবাক্কী থাক্কী কম্পিটিসনদা শরুক য়ারুগনি হায়রি।

কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয় ১০দসু কন্সোলেসন প্রাইজ শিং য়েন্থোকখি। থৌরম অসিদা এদিসনেল দিরেক্টর (এদ্যুকেসন-এস, হিলস) অলফ্রেদ খৌতে, লোক্তাক হায়দ্রো পাৱর ষ্টেসনগী গ্রুপ জেনরেল মেনেজর এস এন সত্যনরায়ন, এন ঐচ পি সীগী জেনরেল মেনেজর রঞ্জিৎ থাকুর অমসুং মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াখি।

### কারনা থোমজিন্দুনা থুগাইরম্বা সনা...

*লামায় ১গী মখা...* সনথোঙগা চপ মান্ননা থমগদৌরিবা সনথোঙ অসিগী অৱাংবা ফুট ১৫গা ইঞ্চি ১১ ওইগনি। সনথোঙ অসি মায়কৈ মরিদা চুথেক নাইরগা স্কৱার ওইবগা লোয়ননা মমায় অমগী পাকপনা ফুট ৪গা ইঞ্চি ৯ ওইগনি।

অদুম ওইনমক সনথোঙগী মতোন থংবা শরুক্তদি মখাগী লৈমায়গা তাইনবা শরুক্তা পাল্লিবা অসিগুম্না পাক্লোই হায়নসু সনথোঙ অসিবু শাগৎপগী থৌদাং লৌরক্লিবা আর্টস এন্দ কলচর লোয়শঙগী দিরেক্টর এল কিশোরজিৎনা ফোঙদোরক্লি।

অদুম ওইনমক মণিপুরগী পুৱারী মরু ওইনা নিংথৌরোল কয়া মথং মথং পান্দুনা লৈঙাক্লকখিবা লম অমনি হায়বগী চপ চাবা খুদম চাংদম ওইরক্লিবা য়ূম্বী অসি অদুঙৈ শকাব্দ ১৮৩০দা মতমদুগী নিংথৌ চুড়াচান্দ মহারাজনা পোইনুগী ৭নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সনা কোনুং শঙ্গাবগা কোন্ননা সনথোঙ অসিবুসু শঙ্গাদুনা সনা কোনুং ঙাক্লবগীদমক মফম অহুমদা থমখিবা সনথোঙশিংগী মনুংদা অহুমশুবা সনথোঙ ওইখিবনি।

সনথোঙ অসিবু শাগৎপদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা মতম অদুগী পোৎলমশিং ওইদ্রবসু পুমলোই লোইশিল্লবা মতুংদদি সুর্কিনা পুমকোয় কোয়না তৈশিন্নবা পান্দম থল্লি।

পনবা য়াবদি, সনথোঙ অসি থুগাইরল্লবা মতুং মথংগী নুমিৎতা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর অমসুং আর্কিওলোজিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট কে সসিকান্তনা লুচিংবা টিম অমনা ইঞ্জিনিয়রশিংগা লোয়ননা য়েংশিল্লবা মতুংদা পন্থদনা শাবা হৌগৎলকখিবনি।

### ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিবু...

*লামায় ১গী মখা...* থোকপা মীওইশিংনা মাগী মাগী মমিংশিং থাগৎলম্বা অদুগী মতুংইন্না পীরকপা ঙাক্তনি। য়াম্না নেম্না পোলিটিক্স তৌবা অদুগা মীয়ামগী হক মৎলগা পোলিটিক্স তৌগদবা নত্তে। ঈশিং ফংদবা মফমদা ফংহন্নবা হোৎনবা, লম্বী ফত্তবশিং শেমজিন্নবা হোৎনবা অমসুং অৱাৎ অপাশিং মেনখৎনবা হোৎনজবনি হায়খি। চেঙ ফংদবশিংগীসু ফংনবা হোৎনরি। থা ৮দা ১৫ রক চেঙ য়েন্থোকপা হায়বসি হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী অহোংবা পুরক্লবনি। এম এল এগী মী নৎত্রবদি য়েংশিন্দে হায়বগী ৱাফমসি চুমদে। মীখল হায়বসিদি মশা মশানা পান্বদা থাদজসনু। অদুবু মীয়ামগী অপূনবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তদি শরুক য়ামিন্নসি। মীগী হক মৎতুনা পোলিটিক্স তৌরোই। লোয়ননা চাওখৎপা ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইহল্লসি হায়খি। ঙসি তোঙান তোঙানবা মীওই ৪০০দা ওল্ড এজদ্ পেন্সন অমসুং চীফ মিনিষ্টরস ৱিদো পেন্সনগী কার্দশিং য়েন্থোকপগী থৌরমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর ৱাইখোম থমাপতিসু শরুক য়াখি।

### এম্বুসতা চেন্নবনি হায়বা য়ু জি জেল...

*লামায় ১গী মখা...* ফাখিবা য়ু জিনি হায়বা মীওই অমা জেলদা থাজিনখ্রে।

ঙসি স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরনা থা অসিগী ২৯ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা মীওই অদুগী মমিং মচুপরিং জামসিম সিমরে এলিয়জ নিংখান কৌই। মশাগী চহী ২০ রোম শুরে। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তকী ন্যু কানন ভিলেজদগী লৈখিদ্রবা য়াংমি জামসিম সিমরেগী মচানুপানি হায়রি।

থৌদোক অদুদা ৪৬-এ আরগী কম্মান্দিং ওফিসর কর্নেল বিপ্লব ত্রিপাথি, মহাক্কী লোয়নবী অমসুং পীক্লিবা মচানুপা ১ য়াওনা পর্সনেল খরা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা এ আরগী পর্সনেল ৬না অশোক অপন মায়োক্লখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা অহানবদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌরকখ্রবসু মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী মায়কৈদগী নবেম্বর ২৬, ২০২১দা পীরকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না কেস অদু নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) দা খূৎশিন্ননবা খঙহল্লকখিবনি।ওর্দর অসিগী মতুংইন্না এজেন্সী অসিনা কেস নম্বর আর সী-৩৩/২০২১/এন আই (দেল্লী) লৌখৎতুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, এম্বুস অদু পি এল এ অমসুং মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ) কী অপূনবা কাদরশিংনা চথখিবনি হায়বগী ৱাফম য়ু জি গ্রুপশিং অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবা লৈখিবনি।

### জেলদা থাজিনখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*অমা জেলদা থাজিনখ্রে।

ঙসি স্পেসল জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টনা থা অসিগী ২৯ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা মীওই অদুগী মমিং এম দি হবিবুর রহমন (৩১) অপোকপা এম দি বাসিরউদ্দিন কৌই, ময়াংইম্ফাল বেঙ্গুন মনীং লৈকায়দগীনি হায়রি।

অহানবা থৌদোক্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা পোৎলমশিং অসি ইকো ভেন এম এন-০৩/পি-৪৯৬৫দা হাপ্তুনা পুরকপদগী গাড়ী অসিবু থৌরকখিবা খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায়দগী অঙোমজাম্বম দেবাল (৩৯) অপোকপা এ কুমার কৌবা মীওই অমা ফাগৎখিবনি। মঙোন্দগী শেল ওইনা লুপা ৫,৭১০গা লোয়ননা দ্রাইভিং লাইসেন্স, পান কার্দ অমসুং এ টি এম কার্দনচিংবসু ফাগৎখিবনি।

লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা সিটি পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎলদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথরকপদা ঙসি কোর্টনা জেলদা থাজিনখিবা মীওই অসিসু মখা তানা ফাগৎলকখিবনি। মহাকপু পুলিসকী মায়কৈদগী কষ্টদি রিমান্দ লৌদুনা ৱাহং পাউহং চথরক্লবা মতুংদা ঙসি জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি। পুলিসকী প্রেয়র অদুবু মহাক্কী মায়কৈদগী ওবজেক্সন তৌরকপগা লোয়ননা বেল পীবিনবা হায়জরকখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী বেল এপ্লিকেসন অদু কোর্টনা রেগ্যুলর বেল ওইনা খন্নরগনি হায়খিবগা লোয়ননা মহাকপু জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

### পুমথরম্লবা ১ য়াওনা নুপা ২গী হকচাংশিং ফংলে...

*লামায় ১গী মখা...* রাজু মখোয় অনী তিন্নবনি। অদুম ওইনমক মহাক মতৌ করম্না শিরগা লৈরম্লিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি। মফম অদুদা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমদি ফোরেন্সিক সাইন্সকি মোবাইল টিম লাক্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক পোরোম্পাৎকী জেনিমসকী মোর্গতা পুখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা হৈঙাং পুলিসনা চিংনবা মীওই অনী ৱাহং পাউহংনবা ফাগৎখ্রে। মখোয় অনীদুদি মন্ত্রিপুখ্রি মুস্লিম কোলোনিদগী রাজু সিংহ (২৮) অপোকপা দিপু সিংহ অমদি কোইরেঙ্গৈদগী টি ঐচ লেনবোই অপোকপা সুরজিৎনি।

মরকসিদা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ঙসি নুংথিল জেনিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা পুলিসনা ইমুং মনুংগী মীওইদা খুৎশিন্নখ্রে।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক পুং ৯.১০ রোম তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্কী য়ুঠ হোষ্টেলগী মায়োক্লবা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান ময়াদা হৌবা শিংনাং মরক্তা নুপা অমগী অশিবা হকচাং তাদুনা লৈরম্লে। চহী ৩৫ রোমগী লেঙ্গা ওইবা নুপা অদু মশক খঙবা ঙমদ্রি। মফম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস টিম অমদি মোবাইল ফোরেন্সিক য়ুনিট ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাঙবুশিংসু লাক্তুনা কুপ্না য়েংশিনখি।

লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মশা অদু পুমথবগা লোয়ননা মকোক অমসুং মমায়গী শরুক্তা হল চঙবা হৌরম্লে। মহাক্কী ওইথংবগী খুদাংদা রোহিট হায়বা মমিং অমা টেটু য়েক্তুনা থারম্মী। নুপা অদুগী মশাদা অঙাংবগা হিগোগকা লাংবা ফুল সার্ট অমা লিৎলি অদুগা জিন খোঙ্গ্রাও অমা শেৎলি, হৱাই চম্পল অমা তোংলম্মী।

মীওই অসি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা শিবা ওইগনি। ঙসি অয়ুক মফম অদুদা লৈঙোই পুদুনা লাকপা ট্রক দ্রাইভর খরনা গাড়ী খাম্লগা লৈরিঙৈদা মনম নমথিবা ফাওরকপদগী চঙশিল্লগা য়েংলুবদা অশিবা হকচাং অদু থেংনরকপনি হায়রি। মখোয়না খুদক্তা ইম্ফাল পুলিসতা পাউ পীরবা মতুং পুলিসনা অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা মতুংইন্না লৈখিদ্রবা হকচাং অসি চৎলিবা থা অসিগী ২০ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা মশক খঙবা ঙমদ্রগদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী অয়াবা লৌরগা দিস্পোজ তৌরগনি হায়রি।

### টুরিষ্টশিংদা ফজবা থৌগল্লোন উৎতুনা থোকহন্নীংদবা...

*লামায় ১গী মখা...* ময়োলদা খক্তমক তাশিন্দুনা পাঙথোকপগী মহুত্তা ষ্টেট অসিগী মীয়াম হুপ্না শরুক য়াবা ফংনবগীদমক হন্দক্তি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোক্লগনি হায়খি। মরম অসিনা ফেষ্টিবেল অসিগীদমক লাক্কদৌরিবা মপানগী টুরিষ্টশিংদা মণিপুরগী ফজবা থৌগল্লোনশিং উৎপগা লোয়ননা ফেষ্টিবেল অসিদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনা পাঙথোকমিন্নসি হায়খি।

হন্দক চহীগী ফেষ্টিবেল অসিগী মপূং ওইবা থৌরম পাঙথোকফম মোইরাং খুনৌগী সঙাই এথনিক পার্কতা ওইরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক্তুগী হৌনা মফম অদুদা পর্মিনেন্ট ওইবা মওংদা শাগৎলিবা এথনিক পার্ককী তোঙান তোঙানবা শরুকশিং য়েংবা হৌবা য়ারগনি হায়খি।

ফেষ্টিবেল অসিগী অতোপ্পা থৌরমশিং সেনাপতিগী মখেলদা লৈবা হেরিটেজ সাইট, চুড়াচান্দপুরগী বেহিয়াং অমসুং গেলজাংদা লৈবা মহারাজ চন্দ্রকৃত্তি পার্কনচিংবদসু পাঙথোক্কনি। অদুগা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা য়েলহৌ মশান্না 'শগোল কাংজৈ' সু মনুং কাংজৈবুং অমসুং মপাল কাংজৈবুং (পোলোগ্রাউন্দ)দা পাঙথোকপগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল পোলোসু পাঙথোক্কনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি লমথাখিবা ফেষ্টিবেল অসিগা মরী লৈনবা সঙাই রন অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লমলোং কৈথেল, কোংবা কৈথেল, পিশুম থোং অমসুং কৈশাম্পাৎ ফাওরগা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থুংখি।

ঙসিগী থৌরমদা মণিপুরগী শক্লাইরবী এক্ট্রেস সোমা লাইশ্রমবু মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২২গী এম্বেসেদর ওইরগনি হায়না লাউথোকখি। লোয়ননা ঙসিগী কর্টেন রেজরগী থৌরমদা নেসনল অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন বোক্সর লাইশ্রম সরিতা, শক্লাইরবা এক্টরশিংগী মনুংদা গুরুময়ূম বোনি, আর কে সোমোরেন্দ্রো (কাইকু), হিজম বলা, নিঙোম্বম বিজু অমসুং দিজাইনর রোবার্ট নাওরেমনচিংবসু শরুক য়াখি। অদুগা ফেষ্টিবেল অসিগী থিম সোং শক্কদবা শক্লাইরবী শৈশকপী মঙ্কা ময়াংলম্বমসু ঙসিগী থৌরম অসিদা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না রিদমস ওফ মণিপুরগী আর্টিষ্টশিংনা দ্রমর দান্সিং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা পুঙ চোলোম অমসুং পেনা খোংবগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি। লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা ওনলাইন লোটরিগী খূথাংদা সঙাই ফেষ্টিবেলগী ষ্টোলশিং য়েন্থোকখি।

কর্টেন রেজরগী থৌরম অসি পাঙথোক্লম্লবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা মোইরাং খুনৌদা শেমগৎ শাগৎলিবা ফেষ্টিবেল অসিগী মপূং ওইবা থৌরম পাঙথোকফম ওইরিবা সঙাই এথনিক পার্ককী ফীভমশিং য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমার, দি জি পি, পি দোঙেল অমসুং মরী লৈনবা ওফিসলশিং য়াওখি।

মাও গেটতা পাঙথোকখিবা কর্টেন রেজরগী থৌরমদনা হেল্থ মিনিষ্টর ডা. এস রঞ্জন অমসুং পি ঐচ ঈ দি মিনিষ্টর এল সুসিন্দ্রো মৈতৈনা মথংশিৎনা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং ময়ায় তাংবল লৌখি।

কর্টেন রেজর থৌরমগী মনুং চন্না এন ঐচ-২গী মার্টিয়স পার্কতগীনা চেরি ব্লোজোম ফেষ্টিবেল পাঙথোকফম অমসুং রাকু কোকুবু ফাওবগী সঙাই মরাথন রন অমসু লমথাখি।

থৌরম অসিদা কারোংগী এম এল এ, জে কোমুসা অমসুং মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম লোইশিল্লকপদা মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী টিমনা মাওগী সব দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ফীভমসু য়েংশিনখি।

### ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসনগী লাংদা...

*লামায় ১গী মখা...* লৈননা ফাগৎখিবনি হায়রি।


অমরোমদা, আর্মি পর্সনেল ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথারবা এম দি অবদুল হফিজ মুগল কৌবা এক্স সর্ভিসমেন অমদগী লুপা লিশীং ১৫ অমসুং ৫গী শেনফমশিং দিমান্দ তৌরদুনা লৌরম্বনি হায়বা মীওই অনী হকথেংননা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা থা অসিগী ৮দা ফারবা মতুংদা জুদিসল কষ্টদিদা থল্লকখিবা অদু ঙসি কোর্টনা বেল পীখ্রে।

স্পেসল জজ (ইম্ফাল ৱেষ্ট) তা বেল পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখিবা মীওইশিং অদুনা জুনিয়র একাউন্ট এসিষ্টেন্ট মোইরাংথেম বিজয়কুমার (৪৩) অপোকপা এম নবচন্দ্র, শীংজমৈ চীংঙামথক নামৈরাকপম লৈকায় অমসুং দীলিং ক্লার্ক লালমিন্থাং লোটজেম (৫৭) অপোকপা হাওখোসি লোটজেম, দেংলেং ভিলেজ (কাংপোকপী) নি। মখোয় অনীমক ইম্ফাল ত্রেজরি ওফিসকী ষ্টাফশিং ঙাক্তনি।

মখোয় অনীনা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসননা মখোয়গী মথক্তা লৌখৎপা কেসতগী বেল পীবিনবা কোর্ট অসিদা প্রেয়র তৌরকখিবনি। লোয়ননা কোর্টনা বেল প্রেয়রশিং অদু লৌখৎলগা থা অসিগী ১০দা হিয়ারিং পাঙথোক্লবা মতুংদা রিজর্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি লাউথোকখিবনি।

লোয়ননা মখোয় অনীবু কোর্টনা লুপা লাখ ১/১গী পর্সনেল রিলিজ বোন্দ অমসুং মসিগা মান্নবা সিয়ুরিটি অমমমগদা কেস অসিদগী বেল পীখিবনি। বেল এমাউন্ট অসিগী মনুংদগী রিফন্দেবল ওইগদবা লুপা লিশীং ২০/২০গী শেনফমসু শেল ওইনা দিপোজিৎ তৌননবা খঙহনখি। লোয়ননা কোর্টকী মাঙজেনবা অয়াবা য়াওদনা মখোয় অনী মণিপুরগী মপান্দা চৎপা য়ারোই হায়বা ৱাফমসু কোর্টনা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, মখোয় অনীনা আর্মি পর্সনেল পেন্সনর অসিগী ফংফম থোকপা পেন্সনগী শেনফম পীথোক্লবগীদমক তোঙান তোঙানবা শেলশিং অসি দিমান্দ তৌরদুনা লৌরম্বনি।



HL-B/7878/20/10-19/11

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।